## জন্তর মন্তরদা প্রোটেষ্ট তৌরুনবা ইম্ফাল...

*লামায় ১গী মখা...* পাস তৌখিবা য়ুনিয়ন বডজেটদা স্কিম ৱার্করশিংগী অনৌবা এলোকেসন হাপত্রে। মখোয়বু ৱার্কিং ষ্টেটসকী থাক্তা থন্বীদ্রে অমসুং সোসল সিক্যুরিটি ফংহন্দ্রে হায়খি।

এম জি নরেগাগী নুমিৎ ১০০নি থবক শুবগী দিমান্দ য়াওনা নফসাগীসু হান্না কায়থোল্লিবা শেনফমদগী অহেনবা হাপ্লক্ত্রে হায়খি। তোলোপ মচা চাবশিংগী খুদোংচাবা কয়া পীগদবা প্রোভিজনশিংসু য়াওরমদ্রে হায়রদুনা বি পি এলগী মীওইশিংগী মশীংদি চহী খুদিংগী লাখনা খুজিং ওইদুনা হেনগৎলি হায়খি।

মীদ দে মিল ৱার্কর্গী ওইনা য়েংলুরবসু মখোয়গী ওনরেরিয়ম অসি থা অমদা লুপা লিশীং ১ খক্তমক পীবনা নোংমদা লুপা ৩০গী চাং খক্তনি হায়রদুনা অপীকপা শেনফম অসিনা মতৌ করম্না মখোয়গী ইমুং পুগদৌরিবনো হংখি।

মরমশিং অসিনা ৪৫শুবা ইন্দিয়ন লেবর কনফরেন্সনা তৌখিবা রেকমেন্দেসনশিং অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোক্কদবনি। স্কিম ৱার্কর পূন্নমক্তা মখোয়গী ৱার্কর ওইবগী ষ্টেটস পীবিগদবনি। লোয়ননা রেগ্যুলরাইজেসন তৌবগা লোয়ননা থা অমগী মিনিমম ৱেজেস লুপা লিশীং ২১ পীগদবনি হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

## রিমসকী অহাঙবা পোষ্ট ৪৩৫ ...

*লামায় ১গী মখা...* রিক্রুটমেন্ট প্রোসেসশিংবু ফ্রী এন্দ ফেয়র ওইনা পাঙথোকপা ঙমহনবীয়ু হায়খি।

অদুগা হাঙলিবা পোষ্টশিং অসি মেনশিনবনা ইন্সটিট্যুট অসি নীংথিজনা চলাইবদা মতেং ওইরগনি হায়বগা লোয়ননা ইন্সটিট্যুট অসিনা চাওখৎলকপা হায়বসি মণিপুরবুসু চাওখৎহনগদৌরিবনি হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর এন সঞ্জিৎনসু অহাঙবা পোষ্ট কয়া লৈবনা আই সী য়ু য়াওনা দিপার্টমেন্টশিংগী ৱার্দশিংগী ফমুং মশীং হেনগৎহনবদা খুদোংচাদবা মায়োক্নরে হায়খি। লোয়ননা পাউগী মীফম অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্সটিট্যুট অসিগী নন মেদিকেল ষ্টাফ এসোসিএসন অমসুং ত্রাইবেল ষ্টাফ ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী মীহুৎশিংনসু দিরেক্টর অসিনা কন্ত্রেক্টচুএল ষ্টাফশিংদা চাদা ১০০গী চাংদা দি এ পীনবা থবকশিং পায়খৎলকপগীদমক নুংঙাইবা ফোঙদোকখি।

## সিভিল দিফেন্সতগী পীরকখিবা চেরোলগী মতুংইন্না চীফ মিনিষ্টরনা হোম ...

*লামায় ১গী মখা...*অমা থোক্তুনা আই জি পি (সাইবর ক্রাইম) ঐচ থাংহৌলিয়ান গাংতেনা চেয়রপর্সন ওইবা কম্মিটি অমা শেম্বীদুনা নীংথিনা য়েংশিনবীরগা মসিগী রিপোর্ট নুমিৎ ৩০নিগী মনুংদা দি জি পিদা পীখৎনবা খঙহনবীরে। লোয়ননা হোম দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগীসু থা অসিগী ১৬তা হোম গার্দ পর্সনেলশিংগী সিনিয়রিটি লিষ্ট শেম্বগী থবক অথুবা মতমদা লোইশিনবীনবা খঙহনবীরে হায়রি।

থবকশিং অসি পাঙথোরকপগীদমক এসোসিএসনগী মায়কৈদগী চীফ মিনিষ্টর য়াওনা হোমগী ওফিসলশিংদসু থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়রদুনা হোম গার্দ পর্সনেলশিংনসু মশাগী মথৌ মশক খঙনা দ্যুটি তৌবীয়ু হায়রি। লোয়ননা ঙসি ফাওবা ফংদদুনা লৈরক্লিবা রসন মনি অমসুং দি এগী পীবীফম থোকপা শেনফমশিংসু মনুং হুৎনা উবীরিবা চীফ মিনিষ্টরনা নুংশিবীদুনা পীথোকপীরক্কনি হায়বগী থাজবসু ফোঙদোরক্লি।

চৈরকসিদা অনৌবা হোম গার্দ পর্সনেলশিং লৌগদৌরে হায়দুনা মীওই খরনা চেন চোংবগী পাউসু তারে হায়রদুনা থবক অসিদা এসোসিএসন অসিগা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়রি। লোয়ননা মথং থাগী ১৬কী অয়ূক পুং ১১ তারকপদগী জি এম হোলদা এসোসিএসননা স্পেসল জেনরেল বোদি মীটিং অমা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা হোম গার্দ মেম্বরশিংনা মতম চানা লাকপীদুনা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু মখা তারক্লি।

## লৈঙাক্না হায়ৱে পাকথোক্নবা ...

*লামায় ১গী মখা...* থবক অসি ঐখোয় খুদিংমক্কী য়াইফনবনি। চাওখৎ থৌরাংগী ওইবা থবকশিং পায়খৎলকপা মতমদা ঐখোয়না তরাম্না ওক্কনি। অদুবু অচান মীরায় নাইবা মানবা মওংদা থবক চত্থরকপা অসিদি পেন্দবা পোকই। মরম অদুনা লৈঙাক্না অমুক হন্না খন্থদুনা মখোয়গী ফিরেপ হন্দে দাকপিয়ু হায়না মখা তানা ফোঙদোক্নরকখি।

অমরোমদা, লম্বী পাকথোকপগা মরী লৈননা হৌজিক কোর্টতা কেস অমসু লৈরি হায়রদুনা চৈরকসিদা লম্বী পাকথোক্নবা দিমার্কেসন তৌরক্লিবা অসিদি কোর্টপু ইকায়খুম্নদবগী থৌওংনি হায়নসু দিমার্কেসন অসিনা শোকহল্লগদবা য়ূম অমসুং দুকানগী মীওইশিংনা পেন্দবা ফোঙদোক্নরকখি।

## ভঙ্গাই রেঞ্জবু পোপি পান্থী থাদবা...

*লামায় ১গী মখা...* ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মণিপুরদগী দ্রগকী কলচর মরূ ফংনা মূখৎতুনা ফুরুপ পূন্নমক্কী নহারোলশিংবু কনগদবনি হায়বগা লোয়ননা পোপি পান্থী থাবগী মহুত্তা হিংনবগী পান্থে ওইনা ওর্গানিক ফার্মিংগী থবক হেন্না পাকথোক চাওথোকহন্নবসু আপীল তৌখি। লোয়ননা ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টনা মণিপুরগী ওইনা শীং খ্বাইদগী য়াম্না পুথোকপা মফম ওইরিবনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী দিষ্ট্রিক্ট অসিগী শীংগী পোত্থোকশিং মার্কেটিং তৌনবগী থবক লৌখৎপীনবসু চীফ মিনিষ্টরদা হায়জখি।

## রাহুল গান্ধীগী কনভিক্সন ১সুং দিসক্কালিফিকেসন : কোংগ্রেসনা ...

*লামায় ১গী মখা...* লোইশিন্নবা ওপোজিসনগী মায়কৈদগী কয়ারক হন্না হোৎনরবসু ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সীশিংনা তূমিন্না লৈশিল্লক্লিবনি হায়নসু মরাল শীখি। মসিদা নত্তনা এল আই সীগী পোলিসি হোল্ডর ক্রোর ২৯গী অপূনবা শেনফম লুপা ক্রোর ৩৬.৩০বু নরেন্দ্র মোদিনা ইনভেষ্ট তৌদুনা শীজিন্নখিবা অমদি এস বি আই একাউন্টস হোল্ডরশিংদগী নম্ফুদা লুপা ক্রোর ৮০,০০০ লান্না শীজিন্নখিবগী লংলা লংজিন পুথোক্নবা তকশিল্লুবগীদমক রাহুল গান্ধীবু দিসক্কালিফাই তৌরকখিবনি হায়বসি কোংগ্রেস প্রসিদেন্টনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

থৌওং অসিমক দেমোক্রেসিবু দিক্টেটরশিপনা মহুৎ শিন্নবগী থৌরাংনি হায়রদুনা শেল থুমগা মরী লৈনবা অরানবা থৌদোকশিংদা চেন্নবা বি জে পগী লুচিংবশিং অমসুং মখোয়গা নক্নবা মীওইশিংদি ঙসি ফাওবদা সী বি আই, এন আই এ, ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্ট নৎত্রগা এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্টোরেটনা লৌখৎলকপা থবক অমত্তা মায়োক্নদ্রি হায়খি। অদুবু ওপোজিসন লুচিংবশিংদি মখোয়গী মায়োক্তা অরানবা চার্জশিং তৌশিন্দুনা মখোয়গী ইকায়খুম্নবা মাঙহন্নবা হোৎনরে হায়খি।

কোর্টনা কনভিক্সন পীখিবগা পন্থদনা রাহুল গান্ধীবু এম পি ওইবদগী দিসক্কালিফিকেসন তৌরে হায়দুনা থোরকখিবা চেরোল অদু ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী গাইদলাইনশিং য়াওদনা অমসুং লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎতনা চত্থখিবা ওপোজিসনদা এটেক তৌবা লুজদবা থৌশিলনি হায়খি। লোয়ননা রাহুল গান্ধীবু ফাদোক পীখিবা ওর্দর অদুমক হায় কোর্টনা শোয়দনা চৎনহন্দনা থল্লক্কনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোল্লদুনা পার্টিগী মায়কৈদগী দিমোক্রেসি কন্নবা লিগেল অমসুং পোলিটিকেলগী ওইবা লম্বীদা কোংগ্রেসনা লাষ্থেংনখিগনি হায়খি।

অমরোমদা, রাহুল গান্ধীবু কনভিক্সন পীখিবদা নত্তনা দিসক্কালিফাই তৌখিববু অকন্নবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোল্লদুনা য়ুথ কোংগ্রেসকী লুচিংবশিং অমসুং থৌমীশিংনা রাহুল গান্ধীদা সোলিদরিটি উৎপগী ৱাফম ফোঙদোকপা প্লেকার্দ অমসুং বেন্নর পায়রদুনা কোংগ্রেস ভবনদগী রাজ ভবন তম্না প্রোটেষ্ট রেল্লি অমা চৎখি। খোঙচৎ অদু লাকশিন্নবা পুলিসনা হোৎনরকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা মুক্নবা থোকখি।

## নোমিতা খোংবান্তাবমদা সুস্মা স্বরাজ এৱার্দ (জর্নেলিজম)...

*লামায় ১গী মখা...*ঐখোয়বু মীকুপ খুদিংমক শেন্নবীবদগী আই এল পি চৎনহল্লক্লিবনি হায়খি।

লৈখিদ্রবা সুস্মা স্বরাজনা লমজিংবীরম্বা অমসুং মহাক্কী থবকশিং তমজনীংঙাই ওইবা ঙাক্তনি হায়রদুনা মশাগী চহী ২৫ শুরকপদা য়াম্না নৌনা মিনিষ্টর ওইখিবীনি হায়নসু শীংথাখি। থৌরমগী ময়ায় তাংবল লৌখিবী বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দানা নুপীশিংগী চৈনাদি নুপীশিংনা অমসুং ইমাশিংনা খঙই। ইমাশিংনা ঐখোয়গী নাৎ অমসুং কলচর কন্নবা অমসুং মচা মশুশিংবু কন্ননবা হোৎনদুনা লাক্লি হায়খি। নুপীশিংনা অখাং কনবা অমসুং তোঙান তোঙানবা লম্দা থবক তৌজরিবীশিংগী থৌনাবু ইকায়খুম্নদুনা সুস্মা স্বরাজ এৱার্দশিং লাষ্থোকচবনি হায়খি।

অখন্নবা মীথুংলেন ওইখিবী বি জে পি মহিলা মোর্চা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এল লোতিকানা থৌরমগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা লৈখিদ্রবা সুস্মা স্বরাজ য়াম্না মতিক ময়াই লৈবী পোলিটিকেলগী লম্দা লমজিংবী অমনি খঞ্জদুনা মহাক্কী মীংদা বি জে পিগী অমত্তা ঙাইরবা এৱার্দ অসি পীবনি হায়খি। মহাক ফেব্রুৱারী ১৪, ১৯৫২দা হরয়ানাগী অম্বলা সিটিদা পোকখিবীনি। মহাক লো তম্বা লোইরগা সুপ্রিম কোর্টতসু প্রেক্টিস তৌরমখি। মহাক্কী সোল্যুসন পুথোকপা ঙম্বা অমদি তোঙানবা ৱাখল্লোনশিং মীখলগী মতমদা শীজিন্নরক্লি। অচৌ-পিশক হায়বা খায়দনা মীপূম খুদিংমক উনখিবী মহাক বি জে পিনা ওপোজিসন ওইবা মতমদসু য়াওনা টর্ম মরিরক কারকখিবীনি হায়খি।য় ঙসিগী থৌরমদা বি জে পি মহিলা মোর্চা মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট ইন চার্জ টি মিনা অমসুং পার্টিগী ষ্টেট সেক্রেটরি কে সরত (চেয়রমেন), মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱার্করস বোর্দসু অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

## মৈতৈ ফুরুপকী মপোকলোন্দা হিংবা মতমদা...

*লামায় ১গী মখা...* মৈতৈগী চিঙ্গাক চারকই। মৈতৈ ঙামু, মৈতৈ থুম, উচাল, মৈতৈ চেঙ, মৈতৈ শীং, মৈতৈ তিলহৌ অমসুং নিংথানচিংবা শীজিন্নে। মৈতৈলোলগী খোন্থোক্কী পোৎলম কয়ানা মৈতৈ ফুরুপ মূৎখিদনবা চৈঙাক, ইনাৎ লাইনীংগা লোয়ননা কন্দুনা থল্লম্বা হায়বসি লাইরিক ময়েক অমনি। লাইরিক হৈবা ঐখোয় খুদিংমক্কীদি ফুরুপ অমা, লৈবাক অমা কল্লগা লৈরম্মী হায়বসি থিজিল্লগা খঙমীন্নবা চঙই। মৈতৈ ফুরুপকী ইপান থাবদা য়াম্না পীক্নদি উবা অদুবু ফুরুপ লাইনীংবু কন্দুনা লৈরম্বা মফমনি। ইপান থাবী অমাইবী, মায়োক য়াবী অমাইবী হৈবী মনা শিংজুনচিংবা নুমিৎ অসিবু ৬নি ইপান থাবা কৌই। মসি মৈতৈ ফুরুপকী চাওরবা চৈঙাকলোন অমনি।

লাই হাক্তক্তগীনা মী হাক্তক ফাওবদা চৎনদুনা লাক্নবা ইপান থাবা অসিবু ঙসিগী মীরোলনা নাথৈবসু চুমলোই। অঙাংদুগী পুন্সিদা ইপান থাহৌদ্রবদি অৱাৎপা অমা লৈবগা চপ মান্নগনি, পুংজা মতম লৈগনি। হরাও তয়াম্বদি নুমিৎ অমদা পাঙথোকপা য়াই। ফুরুপসিগী চৎনবী ঙাকপা মথৌ তাই। চৎনবী লাইনীং লাইথৌশিং অসিনা য়ূম্ফম ওইরগা মৈতৈ ফুরুপ, মৈতৈ লৈপাক কনবা ঙমগনি। লাইনীং লাইথৌ থওইরক্তবা হায়বসি মৈতৈ ফুরুপকী কাংখুল মূৎশিল্লকপগী মশক ওইরক্কনি। মীওইবগী অমদি লৈপাক অমা কনবগী মথৌদি ইৱাৎ থৌনি, লাইনীং মূথৎতবা অসিনা কনবা ঙম্লক্কনি। মীশিং য়ামজদ্রবা লমদম অসিনা পীকচরগসু লাইনীংগী, ইনাৎনা ফিবান কোইশিল্লগা কনবা ঙমগনি। ফুরুপ খুদিংমক্না হিংলিবা অসিগুম্না মৈতৈ ফুরুপসু মমি মূৎখিদবা য়াই। ফুরুপ অমা হিংহনবা হায়বসি মৈতৈ ওইবা ইপা ইমাগী থৌদাংনি। মীতোপ মীয়ানগী মতেং লৌফম থোক্তে, লৈপাক কনবা হায়বসি ইশা ইশাগী থৌদাংনি। চহী অমগী অহৌবা থা শজিবু থা হৌরিবসি নমথরগা থম্বা য়ারোই, নাথৈবসু হৌনরোই।

লৈপাক কনবগীদমক্তদি লৈঙাকলোননা কনখিবসু য়াই। মৈতৈ লাইনীং ফুরুপ হায়বসি ইশা ইশাগী কন্নবগীদমক, ইশাগী পূক্নিংনা মান্ননবগীদমক খুমাঙ চাওশিনবা মতমনি। লায়রবা ১০না খোম্বদি ৱানা থোক্কনি, ইনাকখুনবা ১০না খোম্বদি মতম চঙলোই। মৈতৈ লাইনীং চৎপদা ৱাখল মপূং ফাদবা ওইনা উহল্লোইসি। মৈতৈ ইনাৎ লাইনীং কনববু থৌশিনলোনগী মনুং চন্না উবদি লানগনি। ইশা ইশাগী লাইনীং কনবদি মীওই মপোক্কী মহৈ য়ানবনি। হৌদোকপা হায়বসি তৌফম থোকপা ইথৌনি, হৌদোক্তবদি খঙদে কনাসু। অশংবা মতম য়েংলগা পুংজা খরা খুল, লৈকায়গী উমংলাইগী লাইকোন লাইপুংদা, মৈতৈগী লিরোল থোক্নদুনা মৈতৈ ওইনবা খুন্দিন্নদুনা ৱাফোংমিন্নদুনা তিন্নবা মতম ওইরসি। লাইনিং লাইশোনদা খোঙলৈ থিন্থবদি মাঙজবা ওইরক্কনি। লাই নীংবা মতমদা ইমুং মনুং খৎনবা হিগাইৱা ওইনিংলিবসিসু অরানবা মীৎয়েং ওইগনি। মৈতৈ ফুরুপনা লাই নীংবদি ইশানা ইশাবু মশক খঙনবা, পূক্নিং ৱাচুম শুনবা, হৌরকলোন খঙনবা, শাগৈ সলাই পাকথোক চাওথোক্নবা, চীংঙু লাইগী থৌগলসু ফংজবগীনি। থৌনি ইৱাৎ পাঙথোক্তুনা মৈতৈ ফুরুপ লাইনীং লান্না উহল্লরোইসি অচুম্বদি চুম্না লৈহনসি। অমম্বসু ইকায়খুম্নবা ওইহনসি হায়না পন্থৌনা মখা তাখি।

## লৈমখোং,নম্বোল,মোইরাং ১সুং ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসনগী...

*লামায় ১গী মখা...* পোরোম্পাৎ, হৈঙাং, লম্লাই, ইরিলবুং, থৌবাল, বিষ্ণুপুর, ককচীং অমসুং জিরিবামনি হায়খি।

মণিপুরগী পুলিস ষ্টেসন ৪না কোনবা জ্যুরিসদিক্সনশিংদগী নৌহৌননা দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটসশিং লৌথোক্লে হায়বগী ৱাফম অসি হোম মিনিষ্টরনা মহাক্কী সোসল মীদিয়াদা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না মণিপুরগী ওইনা সিক্যুরিটিগী ফীভম ফগৎলকপনা মরম ওইরদুনা হায়রিবা অথিংবশিং অসি লৌথোক্নবা ৱারেপ লৌরকপনি হায়নসু ফোঙদোরক্লে হায়খি।

মণিপুরগীদা নত্তনা নাগালেন্দ অমসুং অসামগীসু য়াওনা নোর্থইষ্ট ষ্টেটশিংদগী অহেনবা মফমশিংদগী অথিংবা অসি লৌথোরক্লিবা অসিমক শীংথানীংঙাই ওইরবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্না মীয়ামগীদমক লৌখৎলকপা থবকনি হায়খি।

লৈবাক অসিগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা সিক্যুরিটিগী ফীভম ফগৎহল্লকপগা লোয়ননা চাওখৎ মায়কৈদা মায় ওনশিল্লকপা অসিনা তাকপদি লৈঙাক্না অখন্নবা মীৎয়েং থল্লিবনি হায়খি।

পাউগী মীফম অসিদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা ম্যান্মারগী লান্মীনা মখোয়গী মথক্তা লান হৌরিবা পি দি এফ লালহৌবশিংগা তমুগী এরিয়াদা ঙরাংসু খূৎ থোক্নখিবা লৈ। ঙসিসু ম্যান্মার লান্মীনা হায়রিবা এরিয়া অদুদা লৈরম্বা পি দি এফকী কেম্পশিং মৈ থাদোকখিবগী পাউসু ফংই। মরম অসিনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু ফীভম অসিগী মতাংদা মীকুপ নাহুম শীংনা লৈরি। মোরেদা মঙাশুবা আই আর বিগী কম্পেনি অমা য়াওনা চুড়াচান্দপুরগী বেহিয়াং এরিয়াদনা ১১শুবা আই আর বি দিপ্লোই তৌরগা এস পি, টি ঐচ কৃষ্ণতোম্বীনা লুচিংবা স্পেসল কম্মান্দোগী টিমসু দিপ্লোই তৌরি হায়খি।

কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী এরিয়াদা ৬শুবা এম আর অমসুং দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিগী এস পি, পি মঞ্জিৎনা লুচিংবা টিমশিং লৈরিবগা লোয়ননা চান্দেলগী মোলচাম এরিয়াদনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পি অমসুং ৮শুবা এম আরগী টিম্না ঙমখৈগী এরিয়া পরিংদা অকনবা পেত্রোলিংগী চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলি হায়খি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা মণিপুরগা তাইনবা ম্যান্মারগী ঙমখৈ মনুংদা থোক্লিবা থৌদোক অদুনা মরম ওইরদুনা মী চেনশিল্লকপদি লৈত্রি হায়খি। অদুম ওইনমক য়ূমথংনবদা নোংমৈ মখোল তাবনা মীয়ামদা মীপাইবদি পোক্লে। অদুবু থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরক্তনবা পুং ২৪ চূপ্না চেকশিন্না লৈরি হায়খি। মসিগী মথক্তা হান্না কেবিনেট সব কম্মিটি অমসু শেমদুনা লৈখিবগা লোয়ননা কম্মিটি অসি মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা চেয়রমেন ওইরগা মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাই অমসুং টি ঐচ বসন্তকুমারনা মেম্বরশিং ওইদুনা শাবা টিম অমনা ইমিগ্রেসন অমদি মাইগ্রেসনগী থবক থৌরমশিং য়েংশিন্নবা ঙরাংসু মীফম অমা পাঙথোক্তুনা খন্নখ্রে হায়খি।

আর্মি ইন্টিলিজেন্স কোর্পসকী মখাদা শেমখিবা কম্মিটি অসিনা পাঙথোক্কদবা থবকশিংসু য়াৎথোক্লে হায়খি। লোয়ননা কামজোংদগী হৌরগা বোর্দর এরিয়াশিং ওইরিবা চুড়াচান্দপুর ফাওবগী মনুংদা মীতোপ কয়াম য়াম্না চঙলকপগে হায়বদুসু হান্নদগী চঙলকপশিং য়াওনা চেক তৌবা হৌরগনি। মরম অসিনা ইল্লিগেল মাইগ্রেন্টশিংগীদমক হাংদোক্লিবা সেল্টর/দিটেন্সন হোমশিংদা থেংনবশিং থম্মনবা মশা মশানা খঙনা থোকহনবীরক্নবা মরী লৈনবা লৈকায়শিংদসু আপীল তৌখি। মখোয়গীদমক লৈঙাক্না চান-থক্নবা পীগনি। ম্যান্মারদা থোক্লিবা ইৱাং নেমথরবা মতুংদা মখোয়বু মরমদমদা হলহনবগী চে চাং ইন্ননবগী থবকসু শেম শাবা লোইরে। মরম অসিনা লোগী ৱাংমদা কনাগুম্বশিংনা ইল্লিগেল ওইনা চঙলকপা মীওইশিং থল্লন্নবদি মখোয়গী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি। মসি থোক্তনবা মীয়াম্নসু কোওপরেসন পীবিয়ু হায়খি।

## CROSSWORD-3823



**ACROSS**

1. Great painters of the past (3,7)
7. Food fish(7)
8. Attractiveness(5)
10. Probabilities(4)
11. Miserable(8)
13. One who attends to horses (6)
15. Thrifty(6)
17. One who looks on the bright side(8)
18. Notion(4)
21. City of N Italy(5)
22. Put in order(7)
23. Searcher for minerals(10)

**DOWN**

1. Looked at amorously(5)
2. Money owing(4)
3. Thespians(6)
4. Habitually silent(8)
5. Reckless, selfish driver(4,3)
6. Anaesthetic(10)
9. Neither young nor old(6-4)
12. End of line(8)
14. In name only(7)
16. Housing area(6)
19. Giver(5)
20. Determination(4)

**Solution 3822**




**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-5121

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 4 | | | | 6 | | 3 | |
| | 2 | 6 | | 8 | | | | |
| | 7 | | 5 | | 3 | | | |
| | 6 | | 9 | 1 | | | | |
| | | 8 | | | | 2 | | |
| | | | | 2 | 5 | | 9 | |
| | | | 8 | | 1 | | 7 | |
| | | | | 7 | | 5 | 6 | |
| | 5 | | 3 | | | | 8 | 4 |

### Solution-5120

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 9 | 7 | 2 | 6 | 8 | 3 | 4 | 1 |
| 3 | 4 | 1 | 7 | 9 | 5 | 8 | 2 | 6 |
| 6 | 8 | 2 | 1 | 3 | 4 | 7 | 9 | 5 |
| 7 | 1 | 4 | 3 | 5 | 9 | 6 | 8 | 2 |
| 2 | 6 | 9 | 8 | 4 | 7 | 5 | 1 | 3 |
| 8 | 5 | 3 | 6 | 1 | 2 | 4 | 7 | 9 |
| 1 | 7 | 5 | 4 | 2 | 6 | 9 | 3 | 8 |
| 4 | 3 | 6 | 9 | 8 | 1 | 2 | 5 | 7 |
| 9 | 2 | 8 | 5 | 7 | 3 | 1 | 6 | 4 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

## EMPLOYMENT NEWS

### SAINIK SCHOOL GOALPARA RECRUITMENT 2023 FOR PGT (MATHEMATICS)

Vacancy Circular No: -

Sainik School Goalpara PGT (Mathematics) Recruitment 2023
Advertisement for the post of PGT (Mathematics) in Sainik School Goalpara. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 31st March 2023. Candidates can check the latest Sainik School Goalpara Recruitment 2023 PGT (Mathematics) Vacancy 2023 details and apply online at the sainikschoolgoalpara.org/ recruitment 2023 page.
Sainik School Goalpara Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ sainikschoolgoalpara.org/. Sainik School Goalpara selection will be done on the basis of test/ interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of sainikschoolgoalpara.org/ recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
PGT (Mathematics)
Job Location:
Rajapara, Goalpara, 783133 Assam
Last Date: 31st March 2023
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 01 Posts
Educational Qualification:
(a) Post Graduate in Mathematics with a recognized degree in education or possessing equivalent degrees from the Regional College of Education.
(b) Qualified CTET/STET.
Pay Scale:
INR
47600/- Per Month
Age Limit: 21-40 Years.
Application Fee: please refer to official notification.
Selection Procedure: please refer to official notification.
How to Apply:
Application is to be submitted on prescribed proforma with a recent passport-size photograph giving full address and resume with contact number (compulsory), along with attested copies of mark sheets, other testimonials, and a demand draft for Rs. 1000/- (nonrefundable) drawn in favor of "Principal, Sainik School, Goalpara" payable at State Bank of India, Mornoi (Code No.9148)" (This Job Source is Employment News 11-17 March 2023, Page No.42).
Important Dates:
Published on: 10th March 2023
Last date for application is: 31st March 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### RIMS IMPHAL RECRUITMENT 2023 FOR 54 NURSING OFFICER

Vacancy Circular No: -

Regional Institute of Medical Sciences Imphal (RIMS Imphal) Nursing Officer Recruitment 2023
Advertisement for the post of Nursing Officer in Regional Institute of Medical Sciences Imphal (RIMS Imphal). Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 28th March 2023. Candidates can check the latest Regional Institute of Medical Sciences Imphal (RIMS Imphal) Recruitment 2023 Nursing Officer Vacancy 2023 details and apply online at the aiimsrishikesh.edu.in/ recruitment 2023 page.
Regional Institute of Medical Sciences Imphal (RIMS Imphal) Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ aiimsrishikesh.edu.in/. Regional Institute of Medical Sciences Imphal (RIMS Imphal) selection will be done on the basis of test/ interview and shortlisted candidates will be appointed at Manipur. More details of aiimsrishikesh.edu.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Nursing Officer
Job Location:
Lamphelpat, Imphal, 795004 Manipur
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 54 Posts
Educational Qualification: Candidates possessing at least PUC/ HSSLC or its equivalent qualification from a recognised University/ Board/Council and (ii) Diploma in General Nursing & Midwifery or equivalent qualification from a recognised Nursing school/Institute.
Pay Scale: INR Level-7 Per Month
Age Limit: 18-35 Years.
Application Fee: Bank draft of Rs. 500/- (Fees is exempted in respect of SC &ST categories) in favour of Director, RIMS, Imphal Payable at Imphal or Cash receipt from RIMS Cash counter.
Selection Procedure: please refer to official notification.
How to Apply:
please refer to official notification.
Important Dates:
Published on: 10th March 2023
Last date for application is: 28th March 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং : হিয়াং অপাইবী

ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম

